হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ১৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৪২শুবা মশীং

## ইন্দিয়াগী ৭৫রক শুবা নীংতম নুমিৎ

### ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী ৱাহন্থোক লৈহন্নীংই

ওগষ্ট ১৫, নুমিৎসিনি অদুগৌ ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মীনাই-নাইথাংগী য়োৎহ্লিংদগী নান্থোকচদুনা মনীং-তম্না হিংজবা ফংজখিবা। নীংতম্বসি তয়াং-তয়াংনা হেক্তমক ফংখিবা নত্তে। অদুগা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লোয়লম শন্দোকপা বৃটিশনসু ইন্দিয়া মচাশিংদা মখোয়গী নীংতম্বসি শোয়বদগী পীরকখিবা, এক্সিদেন্ট অমসু নত্তে। মশীং থিঙমদ্রবা থৌনা ফবা ইন্দিয়নশিংগী নীংতম্না কনাগীসু মীখা পোন্দনা হিংনীংবগী অঙাংবা ঈখেংশিংদুনা চামথোক্লগা পুরকখিবা লৈবাকসিগী নীংতম্বনি। মসিতবু লাইনীং ওইদুনা ইন্দিয়নশিংনা কুমজা ১৮৫৭তগী হৌরকখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা নীংতম লাননি হায়দুনা শীংথানরিবা ‘সিফাই লালহৌ’ (সিপোয় ম্যুটিনি) দগী লেপ্তুনা লান্থেংনরকখিবা নীংতম লানফম কয়াদুগী মহয়না লৈবাকসিবু বৃটিশনা মখোয়গী খূবামুংদগী থাদোক্লম্বনি। থৌনা ফরবা ইন্দিয়নশিংনা মখোয়গী মশাগী নীংতম্বা বৃটিশকী মখূৎতগী নমদুনা শেৎতোক্তুনা মুলহৌবনি। চহী কয়া মঙজরকখিবা নীংতম্না মরোমদোম মশাগী মখোঙদা লেপচবগী মঙলান মঙফাওনখিবনি। নীংতম লানফমসিদা শরুক য়াখিবা মীয়াম অমসুং মখোয়গী মাঙজিল থাদুনা মখোয়বু লুচিংখিবা থৌনা ফবা ইন্দিয়া মচাশিংগী মশক-মমীং খূৎ থেক্তুনা পাবা ঙম্বা নত্তে। য়ামখ্রবা থৌনা ফবা মীয়ামনি। মখোয়গী থৱায়শিংদুনা পোন্থ পীরদুনা লৈবাকসিগী নীংতম্বা পুরক্লম্বনি। মরমশিং অসিনা মখোয়না থৱায় ফাওবা কখোক্লমদুনা বৃটিশকী মখূৎতগী মুল্লগা খূৎশিন্নবিরম্বা নীংতম্বা অসিগীদমক নুমিৎসিদা মখোয়গী মফমদা লৈবাক্কী ঈশৈ শক্তুনা মখোয়গী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা ইকায়খুম্নবা উৎলিবনি। মখোয়গী মথৌনা-মরিংজেল শক শোল্লিবনি। মখোয়দা তৌবীমল খঙবা উৎলিবনি।

পূম্নমকসি তৌফম থোকপা থবকনি, তৌগদবনি, তৌফমসু থোকই, চহী খুদিংগীসু নুমিৎসিগী থৌরম লৈবাক্কী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক লৈবাকসিনা নীংতম্বা ফংবা চহী ৭৫ মপূং ফাজিল্লক্লবা শাংলবা মীরোল অমগী মতম, চহী চা অমা য়ৌশিল্লক্কদৌরবা মতমসিদা মালেমগী মনুংদা মীশিং য়াম্বদা খ্বাইদগী চাওরবা অনীশুবা লৈবাক ওইরবা ইন্দিয়াদা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিবু করিনো? লৈবাকসিগী অৱাং অমসুং খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা মফমশিং য়াওনা ময়ায় লমগী মনুং চল্লিবশিং অমদি অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম খরদা মনীং-মখা তমজরবা, মশানা শেমজবা মশাগী চৎন-কাঙলোন (কন্সটিট্যুসন) গী য়ূম্ফমদা লেপ্তুনা লৈজরিবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা পেন্দবা ৱাকৎ, নীংঙমদবা কয়া ফোঙদোক্লুরক্তুনা নীংঙাই তৌনরক্লিবা করিগীনো? য়েক্লবা বৃটিশকী মখূৎতগী নমদুনা মুলহৌবা মীয়ামগী নীংতম্বদুগী ৱাহন্থোক ময়েক শেংহনবা ঙম্লক্তবদগীরা? নৎত্রগা নীংঙাই কনবা মীওই কাঙলূপ্তুদা মপান লৈবাক্কী ঈথিল চঙলকপদগীরা? য়েক্লবা, লৈবাকসিবু কল্লক-মীহৌবশিংনা লৈবাকসিগী ‘য়ুনিটি ইন দাইভরসিটি’ কায়হন্নবা হু কামশিল্লকপদগী ওইগদৌরিব্রা? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম থিদোকপা চঙই। মসি নৎত্রগদি ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবা থোকপা, মৈশা লাংনবা ইমুংনা য়ূমলোন্নরিবশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎনবগী লম্বেলদা চঙশিল্লকপা ঙম্লোই। চাওখৎ লমজেলদা খুরৌ থাংবা খুনু মখোঙ শল্লৌবগুম থোক্কনি। মরম অসিনা হৌজিক লৈবাকসিগী মফম খরদা ওমদুনা চাকখৎলক্লিবা মৈসি করিদগীনো হায়বসি থিদোক্লবগী মতম হেন্দোরক্লবনি। নীংঙাই তৌরক্লিবশিং অসি মরম চাব্রা নৎত্রগা চাদব্রা হায়বদুসু কূপ্না য়েংবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। মায়কৈশোমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতে হায়বা নত্তে, লৌখৎলি, তৌরি। লৈবাকসিগী মীয়াম্নসু খঙই। অদুবু লৈবাক অমগী নীংতম্বসিবু চহী খরা খরা য়ামশিল্লক্লগা অনৌবা নীংতম্বা অমমুক মথৌ তারকপগী ফীভমদা লাকহল্লকপদি অচুম্বা থৌরাং-থৌশিল ওইগনি হায়বা য়ারোই। নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপগী মহয় মপূং ফাহল্লক্লোই হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *“পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।”* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?
২) *“পুন্সিগী খোঙচৎতা”* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?
৩) *“নুংশিত্তি পাবা হৈতে”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তুগী কনানা হন্দোকপনো?
৪) *“কনাসু ঐগী মিং খঙদে”* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৫) ***“নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্ত্রে লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।”*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১)
২) অয়েকপম ভিমো, তাকয়েল খোংবাল মনীং লৈকায় (১, ২)
৩) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (১,২)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২)
৫) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১,৪)
৬) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,৪)
৭) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায় - (১,২,৪)
৮) মৈস্নাম রাহুল, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায় - (১)
৯) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১,৪)
১০) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪)
***১১) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোঙনাংমখোঙ - (১,২,৩,৪)***
১২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৪)
১৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৪)
১৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৩গী ৱিন্নর*

***লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোঙনাংমখোঙ***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২১গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঙ্গরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩গী পাউখুম

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা ***‘লৌনম’*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- শ্রী লোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ, দ্রামা***
২) ***“বীরবাহু তুবা”*** হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
***:- মুরারি অমসুং গোপি অনীনা হন্দোকপনি।***
৩) ***“নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।”*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তুগী লৌথোরকপনো? ***:- ‘ফমলোন’***
৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে? ***:- ‘দীপানবিতা’ চেফোঙনি, কুমজা ১৯৭৫গী দিসেম্বর ১৬তা অহানবা ওইনা ফোঙখি।***
৫) ***“ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং দ্রমর গীত”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?
***:- নিংথৌজম খোলো সিংহনা ইবনি।***

## মতমসিদা নহাশিংগী থৌদাং

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৬৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**

কোভিদনা মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌরম্বা, কর্ফিয়ু থম্লম্বদু খজিক-খজিক কোমথোকপা হৌরকপদগী চনীং তানা শ্বর হোনবা ঙম্লমদবা, ইফুন-ফুল্লম্বা অদু খরদি নে-না তাজরে হায়নরি। পুং ২৪ চূপ্না মপান থোকপা য়াদনা য়ূম মনুংদা ফাজিন পূনশিন্দুনা থম্বা অদুগুম্বা পুং ২৪ কয়া অমনা থা ২/৩ তৌফম খঙদনা লেনবা পুন্সিবু কনানা নুংঙাইগনি। লোকদাউননা মরম ওইরগা দিপ্রেসন্না নাবা মীওই কয়া অমসু য়াওরবনি। হরাউনীংঙাই, নুংঙাইনিংঙাই শুকওই ওইবা নত্তে। শেন্থোক লম্বী লৈজদবা হায়বদি নোংমগী শু-নোম্লগা হিংনরিবা মী লিশীং লাখ কয়াদি হৌজিকসু ফীভম তাদনা হিংনরবনি। মশা মশাগী ওইনা লৈজবা খরা তুংশিন্দুনা থমজবশিংদু কায় কায়দুনা লোইশিল্লকপদা পুমলোই লোইরে হায়বদুনি। হন্দক্কী কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিনা ঐখোয়গী ইকনমিদা অসুক্কী মতিক শোকহনখ্রে। অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈবা মীওই, ইমুং মনুং মশীং থিবা ঙম্বা নৎত্রে।

চাইনাদগী হৌরকখিবা লায়না অসিনা অসুম অসুম শন্দোরক্তুনা য়ুরোপ কন্ত্রিশিং লানি-খদুনা অমেরিকা য়ৌখিবদা মীওই কয়া মথং মথং শিরকপদা পাউচেশিংদা মথং মথং লেপ্তুনা হাপ্পরকখি। টি ভি চেনেলশিংদসু লায়েংলিবা অনাবশিংগী ফোটো, অশিবশিং য়াওনা মথং মথং উৎলকখি। লায়না অসিনা মালেম শিনবা থুংনা অথুবা মতমগী মনুংদা শোয়দনা শন্দোরল্লগনি হায়বগী পাউতনা ৱাই চাইখি। লায়না অসিনা মণিপুরদসু শোয়দনা লানশিল্লক্লগনি হায়না প্রিদিক্ট তৌবসু য়াওনরকখি। মতমদুদা ঐখোয়দি লায়না অসি মণপুর য়ৌরক্কনি হায়বা শুকথাবু থাজরুদে। সেঞ্চুরি কয়াগী মমাঙদা মালেমগী মফম কয়াদা তোরা তুনা শিহনখিবা ব্লেক দেথ, উচিদগী শন্দোকখিবা মহীক্লা হাৎখিবা লায়না প্লেগ মণিপুর য়ৌরকখিদে। চীংলোন মাপন্না ইকোয় কোয়শিনবা মপানগী অকনবা শাফু অমত্তনা চঙবা ঙমদবা হৱা নুংশিৎ ফবা, চাবা থকপদা মপা লৈতনা হাওবা, লৈবাক লৈহাও কয়া ঈশিং নুংশিৎতসু মঙায়রে মণিপুরগুম্বা মফম অমত্তা মালেমদা লৈতে হায়নরিবনি। প্লেগ লায়নানা মণিপুরদা লানশিনবা ঙমদবা অদুদি শোইবুম চাবা, ঙারি চাবনা মরম ওইরগা লায়না অদুনা নাহনবা ঙমদবনি ঙাঙনবসু য়াওরি। ফাগি ওইরবসু অচুম্বা মানখি। তশেংনা ঐখোয়সু কোরোনা মণিপুরদা শুংচঙ চঙলক্লোই ফাও হায়খিবনি। অদুবু হৌজিক্তি করি শারে। মহীক মানা লৈখৎলক্লিবসি কয়াদি কুইরক্লে। পোজিটিভ ওইবগী চাংবুদি লিশীং হেল্লম্বদগী ৫০০/৬০০তা হাইদুনা লৈরি। অদুসু ১০নি ২০ হায়রগদি খরসু মফগদবা, হন্থরকউ হায়বা শুকয়া য়াদবগী ফীভমদা লৈরে। কোরোনাগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাদা দেল্টা ভেরিএন্টনা অমুক হন্না শন্দোরকপগী পাউ ঐখায়না তানখি। অদুবু খ্বাইদগী নৌবা পাউ ওইনা চাইনাগী সহর ৪০ রোমদা শন্দোরকখিবা লায়না অদু সহর খরদদি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙম্লে। সহর খরদদি লায়না অসিনা শুক্লা নাদ্রবা পোজিটিভ ওইদ্রবা মফম ওইবা ঙম্লে হায়না লাউথোকখ্রে। চাইনাদগী ঐখোয়না পাড়া অমা তম্বা মথৌ তারে।

থিংলুবা ঙমদবা শাথীখ্রবা লায়না অসিনা মণিপুরগী মফম খুদিংদা শন্দোরকপা মতমদা অৱাবা তারবশিংবু পুকচেল চাওরবা মীওই কয়া মতেং পাংবীবগী থৌরম চত্থখিবশিংদু তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীহুৎশিং অমদি সোসল ৱার্করশিং, মথং চহী হৌরকপদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখলদা ভোট লেপকদবশিংনা লায়না অসিনা মরম ওইরগা অৱা অনা তারবশিংদা অচা অথক, হীদাক লাংথক য়েন্থোকপগী থবক হৌজিকসু লেপ্তুনা চত্থনরি। মসিমক মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা মীনুংশি উৎপা হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিস অমনি হায়না লৌবা য়াই। মালেমগী ওইনসু য়েংলুবা মতমদা নুপা-নুপী মিল্লিয়ন কয়া কয়ানা কৎথোকপগা লোয়ননা ঐনা ঙসি মতেং পাংলিবসি মানা অমুক হল্লক্কনি খন্দবীদা মীগী মতেং পাংবীবা তৌনরিবনি। মদুদা য়ূম্ফম ওইরগা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৯দা ‘ৱর্ল্ড হ্যুমেনিটরিয়ন দে’ পাঙথোক্লগদৌরি।

মীওইবা ঐখোয়সি অমনা অমগী মতেং পাংনবসি খ্বাইদগী ফজরবা মচৎ অমনি হায়না লৌবসু য়াই। হন্দক্কী মতেং পাংমিন্নবগী খোঙথাং অসিদা শরুক য়ারিবসি মশা খিঙলিবা চোকথবা নাইদবা নহারোলশিংতনা অয়াম্বনি। কোভিদ থেংনবদা ফর্ষ্ট ৱারিয়র ওইরিবসি ডাক্টর, নর্স, মেদিকেল ষ্টাফশিং, আশা ৱার্করশিং অমদি ক্লবকী মেম্বর, ওর্গনাইজেসনশিংগী থৌপুবশিং অমদি ঙসিগী নহারোলশিং ঙাক্তনি। পোক্লবদি নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা মপোকসিদা মীগী মতেং পাংবীবা হায়বসিদগী হেনবা করিবু লৈরিবগে। হন্দক্কী মতাং অসিদা লৈকায় লৈকায়, খুনশিংদগী নহারোল কয়া থোরক্তুনা মশাগী ওইজবা পূম্নমক থাদোক্তুনা মীয়াম্থু মতেং পাংবীবগী থবক চত্থরিবসি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। হৌরক্লিবা মখোয়শিং অসিনা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। অদুনবু হায়নরি - ঙসিগী নহারোলশিং হয়েংগী তুংগী য়ূম্বীনি।




হৌজিক্কী মতম অসিদা নহারোলশিংগী থৌদাং অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মরম অসি লৈবনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মশা মউ ফনা, তিক-তিক লাউনা লৈবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকপা, কয়াইম কয়াদা য়াওশিন্দবা হায়বসিনা অফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মখোয়গী থৌদাং চাওরি। লাক্কদৌরিবা চহী হৌরকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোঙথোরকপা নহা কয়াসু থোরক্লে। ইলেক্সন্দা মায় পাক্লবগী পান্দমদা মীয়ামগী মতেং পাংবা, চাওখৎ থৌরাংগী খোঙজেলদা শরু কয়াবগী শক্তমসু ঐখোয়না পাউচেশিংগী খূত্থাংদা থেংনখ্রে, উনখ্রে। অদুবু ভোট লেপ্পগী ৱাফম লাকপদদি হান্না চৎনরম্বগী মতুংইন্না নহা ওইমল্লি, ভোট লেপ্পগী মতম ৱাৎলি হায়দুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজগে থোকচরকপা নহাশিংবু নমশিন্দুনা থন্বীবগী মওংদা ঙাঙনরি। মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি মবুকচেল শেংবা, ওইজবা থাদোক্কদবা, তশেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্কদবা নহাশিংগী ফিদা অমদি থম্বীফম থোকই। হান্নগী চৎনবী ওইনদি ভোট লেপ্পা হায়রগদি লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বদগী পোত্থারবা, পেন্সন ফংলবা অরৈবা শেলমখৈ তানশিল্লগা পোত্থাবা ওইনা ভোট লেপ্লকপা অহল ওইরবশিংগী খাক্তুনা থম্বা ফম ওইনা খন্নরম্বদু হৌজিক্কী মতমগা চানদ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুবদসু চহী ৩০ শুদ্রিবা, চহী ৪০ শুদ্রিবা নহাশিংনা ভোট কারক্তুনা মিনিষ্টর ওইবসু য়াওনখ্রে। মশাদা তনবা পোক্তবা, ইনর্জেটিক ওইবা ৱাখল, থবক য়ং য়ং লাউনা ফগৎলক্লিবা নহাশিংবু থবক পায়হন্দুনা অমুক য়েংবগী তাঞ্জা পীবিগদবনি হায়নীংই। মেঘালয়াদগী এম পি ওইনা কারকপা নহা ওইরিবা নুপী অগাথা সংমাসু ইন্দিয়াগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহনখ্রে। মসিসু নুপীদা শক্তি শীন্নবগী ফজ খ্রবা মচৎনি হায়নীংই।

য়ং মাইন্দ হায়বসিমক্তবু অনৌবা ৱাখল, অনৌবা আইদিয়াতনা পীক থল্লিবনি হায়নরিবনি। অদুবু ঐখোয়গী হান্না চৎনরকপগী মতুংইন্না মশা শোন্থরবা, লেঙম-শাঙমদ্রবা অহলশিংদা লৈঙাক পায়হন্দুনা শুম লৈহনবগী চৎনবী অসি খরসু হোংদোকপদি ফরবনি খল্লি। হৌজিক্তি নহাশিংগী চকনি। মরমশিং অসি লৈবনা নহান ওগষ্ট ১২দসু মালেম পূম্বদা ‘ইন্টরনেসনল য়ুথ দে’ পাঙথোকখ্রবনি। ষ্টেটিষ্টিকেল্লি য়েংলুবদসু মালেম পূম্বগী ওইনা নহা বিল্লিয়ন ১.৮ লৈ হায়রি। মদুসু চহী ১০দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনা ওইরি। হৌজিক্তি সিটিজন মেকিং প্রোসেসতা মনীং তম্না ঙাঙজবা, শরুক য়াহনবগী তাঞ্জা পীবিগদবনি। মখোয়না অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবদা মখোয়গী ফিদা থম্বীগদবনি।

অসি হায় হায়দুনা নহাশিংগী মরক্তা লমচৎ শাজৎ ফজদবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা, ক্রাইমদা চেন্নবা নহা কয়া অমা লৈতবদি নত্তে। মখোয়শিং অদুদি নিংথিনা ৱারক ৱাতেন্বীদুনা অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা অমা চঙলি। মতাং অসি য়ৌরকপদা ঐহাক্লা কোলেজ তম্লিনৈগী ফ্রেশরস মীট অমদা ঐগী মরুপ ওকেননা থিখিবা শৈরেং মতেক অমা খংনীং নীংশিংলকই - “ঙসিগী নহারোল, হয়েংগী তুংগী পুলিসকী কাংক্রমনি, জেলগী লৈতেংনি।’ - মদুতদি ওইহনগুমসি।! ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৩১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

হায়রিবসি হান্নগা তম্পাক্কী লমশিংগী মপু ওইরম্বা লায়রবা মীওইশিংদগী চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা শেলয়াম পীবা ঙম্বনিনা শেলগী মিকাহল্লগা নম্ফুদা লৈবগী মওংদা হায়বদি শেল খরা হন্থনা পীগে হায়বগী মহুৎতা খরা হেনগৎনা পীরবনিনা শেল পায়দবা তম্পাক্কী মীদুদদি পাম্মুরবসু পাম্মুদনা অতৈ অতোপ্পা মশাগী মহুৎ ওইবা য়াবা শেনয়াম ফংনীংঙাই/লাকফম লৈতবনা, কোন্নথংদদি লম মচা অমা ফাওবা অমুক লৈনীংঙাই লৈতবদগী ৱানা পুন্সি লেনবা কয়া অম খুন্নাইসিদা লৈতবা নত্তে। শেনয়াম পুথোক্লগা তম্পাক্কী লম লৈবা ঙল্লিবা চীংগী ইচিন ইনাওশিংদা শেল কয়া লৈজদবা তম্মীনা তঙাইফদবদগী লম য়োনবদা - “লৈবা য়োনবা য়ারিবা” - অসুম হায়না লম লৈজদবা নৎত্রগা মচিন মনাও মশীং য়াম্বদগী লম য়েন্থোক্লরবা মতুংদা য়ূম মচা অমা ফাওবা শানবা লম লৈতবা কয়া অমা তম্পাক্কী লৈকায়/মফম কয়াদা লৈরক্লিবশিংগী মরমদসু খন্নবা চুমগনি। মসিনা নাকল অমরোমদা অমুক থমখ্রগা - তম্পাক্কী মফম কয়াদা লম খরা পাক চাওনা লৈরগা ফুরুপ/কাঙলূপ মান্নবা মখোয় য়ূম্নাক খরা তাদুনা লম মতেক্তুগী মমিংসু ইনৌ নৌনা মখোয়গী ওইনা থোন্দুনা চীংমীশিংনা নৌনা খুন্থোক্লবা লম মতেকসি চহী খরগী মতুংদদি অদু অদা হায়দুনা ‘খুন অমা ওইনা ওন্থোকপদগী খুনগী চীফ/খুল্লাকপা/থৌবৈনচিংবা লৈরক্তুনা মখোয়গী মান্নবা ফুরুপ নত্তনা তম্মীবু ওইরবসু অতৈ ফুরুপ অমতগী চৎন-লোনচৎ পুশিনবা য়াদনা লৈবা খুন মশীং হান্না লৈরমদবা/মশীং খরদমক লৈরম্বদগী মশীং য়ামথোরকপা কয়া শোয়দনা থেংনবীরমগনি।”

নাকল অমরোমদা অমুক, ৱারবসু ৱানা মতমগী হোংলক্লিবা খুন্নাইগী চৎনবী মতুংইন্না মচা-মশুশিংবু চৎনবা য়াবা থাক্তা মহৈ মশীন তমহনবা হায়বসি মমা-মপা/য়ূমগী অহল-লমন ওইবশিংগী তৌফম থোকপা থৌশিল অমা ওইবদগী অয়াম্বনা তমহন্নে। হায়রিবা ৱাফমসিদি চীং-তম অনীমক্কী চপ মান্নবা ৱাফমনি। খেন্নবা ৱাফম খরা হায়বা তারবদা - চপ মান্নবা থাক্কী মহৈ মশীন তম্বা হায়বদি কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, শিনফম ওইবা য়াবা খুদম ওইনা - মেদিকেল, এঞ্জিনিয়ারিং, এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি, এল এল বি/এল এল এনচিংবা তম্নিংবা কোর্স অমা তম্বদা মিং চনবদগী হৌনা মার্ক পর্সেন্টেজ তাবা, স্কোলরশিপ ময়াম খুদম ওইনা বুক গ্রান্ট, থাগী ওইনা হুনগদবা শেনফমদা তাবা, হোষ্টেল অমদি চৎথোক-চৎশিনগীদা কন্সেসন-খুদোংচাবা ময়াম্না য়োম্লগা, খুদোংচাবা অমত্তা ফংদবা তমগী মমান্নবা মহৈরোয়শিংগা চপ মান্নবা কোর্সশিংদা মহৈ তম্মিন্নরকপনি হায়বসি লোইনা খঙনরিবনি। চপ মান্নবা কোর্স অমা চপ মান্নবা অৱাংবা থাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা তম্মিন্নরকপা মখোয় অনীমক লৈঙাক্কী লোইশঙ অমদা অমুক চঙলমদাইদা খেন্নবশিংদি - থবক্তু চঙবদা চহী মঙা কোমথোকপা, মার্ক ফংবদসু চাম্মদা মঙাগুম্বা তাথনা ফংলবসু য়াবা, এমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জ/জোব এপ্লিকেসন ফোর্মনচিংবা লৈঙাক্কী মতুংইন্না কোমথোকপা, রিজর্ভ কোটাসু লৈবনা চপ মান্নবা থাক্কী থবক চঙবসু খুদোংচাবা কয়া ফংদুনা চঙলবা মতুংদা অমুক ঙন্না/হান্না ফম কাবগী খুদোংচাবসু ফংই হায়বসি অদুম খঙনরিবনি। মসিবু করম্না লাল্লি হায়গদৌরিবনো? ময়োল লৈঙাক (সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট), মসা লৈঙাক (ষ্টেট গভর্ণমেন্ট) শিংনা তোয়না হায়বদা লৈঙাক অনীনা লাইরিক হৈরবা নহারোল খুদিংমক লৈঙাক্কী থবক (চান্নবা চান্নদবা) পীবা ঙম্বা হৌনদে। মশানা মশাবু থবক পীনবা হোৎনগদবনি। মদুগীদমক লৈঙাক্লা স্কিল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং অমদি অতৈ খুদোংচাবা কয়া পীগনি হায়রি।

মতাংসিদা খন্নবা য়াবদি লন্নাইগী/সোসাইটি অমা শেল্লগা থবক অমা তৌনবা হোৎনবদা খুদম ওইনা, মখল অমগী মহৈ মরোং থাববু ওইরবসু, বোটানিকেল গার্দেনবু ওইরবসু, ঙা য়োকপা, য়েন-ঙানু, ওক লোয়ববু ওইরবসু অহানবদা মতিক চাবা লম মথৌ তাই। হৌদোক শেল মথৌ তাই। বেঙ্ক লোন ওইরবসু ইন্দষ্ট্রি তৌগে হায়রুবদা লম, মার্জিন মনি, গেরেন্টি মথৌ তাই। হায়রিবশিংসি লৈতবা অমদা বেঙ্কশিংনা লোন পীনীংদে হায়বসি লোয়না খঙনৈ। তম্পাক্কী লমদদি মমাঙঙৈদগী অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা, হায়রিবশিংগী মনুংদগী অমা থবক ওইনা পাঙথোক্লগে/পায়খৎলগে খনবদা, মথৌ তাবা লম লৈত্রবদি ওইথোকপদা ৱানা থোকই হায়বসি হীরমসিদা হান্না খোঙদাখ্রবা ওন্ত্রপ্রেব্যুরশিংনা হায়বদগী খঙলবা ৱাফমনি। শেল লৈতনা তম্পাক্তা লম লৈবসু ফংদবগী মথক্তা লৈঙাক্লসু লৌউনবা লম, ঙা য়োকপা য়াবা মফমশিং ঙাক্লা থম্নবগী অথিংবা লৈরবসু, তম্পাক্তদি মখল মখা কয়াগী শিনফম তৌবা মীওইশিংনা লৈশিল্লকপদগী/খুন্দাশল্লকপদগী মশাগী শেন্থোকসু লৈজদবা, শুজ-নোমজনীংবা থবক ফংদবা কয়া অমসু ঙাওচৎনদুনা লৈবা কয়া লৈরিবনি। অখঙ অহৈশিংনা হায়বদদি মণিপুরসি এগ্রো বেজ প্রদক্টশিং পুথোকপদা য়াম্না খুদোংচাবা (হোটস্পোট) মফমনি হায়জরবসু হায়রিবা পোৎশিংসিদি অয়াম্বা চীংগী শরুক্তা তৌগদবনা তমগী মীশিংনা চীংদা প্রোজেক্ট অচৌবা অমা তৌগে হায়বদা অথিংবা কয়া লৈবনা খল্লুবা থৌরাংদু অরেম্বা তাবগী ফীভম ওইরকপসিনা নীংহন্নবা ৱাখল কয়া অমা পোকহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা তমদনা চীংমী ওইগেরা, মীওই অমা হেক্তা লাক্লগা লম লৈদুনা লৈরবা, তৌবা য়াই খনবা থবকশিং তৌবা য়াহনবা, অরাপ্পা চীংগী লম অমদগী লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদা থবক তৌবদু চৎথোক-চৎশিন, মচা-মশু মহৈ মশীন, অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা খুদোংচানবগীদমকনি হায়দুনা লম লৈবা, হিংনবগীদমক মতম শাংনা অদুম লৈবসু য়াহনবসি নাকল নাম্মতগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা থোক্লোইদ্রা হায়না খন্থবা মতম থেংমনদ্রিব্রা হায়বসিনি। অমুকসু চীংগী ইচিন ইনাও খরনা হায়নীংলিবনা চীং-তম থোং মান্ননা চাওখৎতে। ৱাফমসি লাল্লি হায়বা য়াদে।

মথক্তসু হায়খ্রে মদুদি মণিপুর ষ্টেটসি তমগী শরুক্লা অমা ওইবদা চীংগী শরুক্লা চাওরাক্লা তরামাথোই ওইরবসু মীশিং য়াম্বদদি ষ্টেটসিগী কোনুং ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অনী হায়বদি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইষ্ট অনীদনি। ইম্ফাল ৱেষ্টনা অমুক্লা হেনবগী ৱানি। মী কুংনা তাবা মফম ওইবনা মীশিংনা তোয়না চৎথোক চৎশিন তৌবা, মথৌ তাবা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিংগী য়োনফম-লৈফম ওইবা, লৈঙাকলোন খুদোং চানবগীদমক মথৌ তাবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং লৈবনা, মৈ-ঈশিং, চৎথোক-চৎশিনগী পাম্বৈ ওইবা মখল কয়াগী এঞ্জিন পনবা গাড়ীশিং চেনবা তারকপনা মী য়াম্না কুংনা তাবা মফম পিকখ্রবসিদা মীশিংগী য়েংলগা অনা-লায়েংগী, মখল মখাগী সিক্যুরিটিগী, মৈহৌ-লাংপোক্কী খুদোংচাবশিং লৈহনবা/ফংহনবা হায়বসিসু তৌদবা য়াদবা তঙাইফদবা অমনি হায়না লৌবদা অমুক লানফম থোক্লোইদ্রা খল্লি। ●